ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ১৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২২ শুবা মশীং

# য়ু এন সীগী ট্রাইপর্তাইট টোক

## খুম্বা ঙম্লোইদবা পাউখুম থৌবা হৌনদে

মণিপুর লৈঙাক্কা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তিগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমা খায়দোকখিদৌরে হায়বা পাউনিনখোল অমদগী য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নাগানা নম্মা তাবা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৯ গী অহিং নোংয়াইদগী ৩১ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা টোটেল সটডাউনগী খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুগী মখা তারকপা ওইনা নবেম্বর ১ দগী মণিপুরগী নেসনল হায়রেশিংদা মতম কত্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হৌখি। য়ু এন সীনা টোটেল সটডাউনগী খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা নাগাগী তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেমদনবা অমসুং জিরিবামবু মপুং ফাবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট ওইহন্দনবা কয়াবক হন্না ৱাঙিং তৌখি। মতম অদু ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তুনা লৈখি। য়ু এন সীনা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হৌহৎস্বা মতুং চয়োল অমা ফারকপদা ৱাথোক অসি শংদাইনবা য়ানবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্স (এম এইচ এ) না য়ু এন সীগী মীহুৎশিং, মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং দিল্লিদা কৌরগা ৱারী শানবা মতম লেপখি। য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ মশামক য়াওনা দিল্লিদা থুংলবা তুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ অমফাওবা ৱারী শানবদুদা য়াওনবা চৎখিদে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমগ্রিঙৈ মতমদুদা শেমল্লোই হায়বগী থাজবা পীরবদি ব্লোকেদ হন্দোক্কনি হায়না য়ু এন সীগী লুচিংবশিংনা হায়রম্বা লৈখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ ৱারী শানবদুদা থারকখিদবদগী এম এইচ এ অমসুং য়ু এন সীগী থৌপুবশিং নিংবা কায়নখি। কায়নখংদনা মণিপুর লৈঙাক্না য়ু এন সীগা ৱারী শানবা পামখিদবদুগী মরম কোন্না খঙনরকখি। করি মরমগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না ট্রাইপর্তাইট টোক অদুদা শরুক য়াখিদবনো হায়বগী মরম মীয়াম মাঙদা ফোঙদোক্তুরবসু কায়নখংদা খঙনরকখিবদি অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমগে হায়বগী চপ চাবা ফীরেপ ওল্লিঙৈ মতমদগী লৈরে হায়বসিনি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৮ গী অহিং নোংয়াইদা মণিপুরগী কেবিনেট্কী ৱারেপ অমনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৯ গী মথক্তা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হাপচিল্লগা পুম্না ১৬ শুহনখি। মতমদুদগী হৌনা য়ু এন সীনা মণিপুর লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি অঙকপা অমা ওইনা লৌবগী লোয়ননা মখোয়গী মঙলান থুগায়বগী চপ চাবা লমন খুম্নবা পো কাঙবা হৌখি। মতম কত্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ শুক্লেপ লেপ্পনা চথরকখি।

মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা তৌগে হায়না খনখিবা ৱাখল্লোন অমদা কন্নাগুম্বা অমত্তদা কোক নোনখিদে হায়বদু থৌদোক অদুনা তাকই। তশেংনমক্কীসু দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা হায়বসি লৈঙাক অমগী মখুৎতা লৈবা লৈঙাক অদুনা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা হেন্না নুংঙাইহন্নবা অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা য়ৌহল্লনবা ৱাখল্লোননা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বনি। মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরে, এদমিনিষ্ট্রেসন য়ৌদ্রে হায়বা ৱাকৎ লাকপা মতমদা মদুবু য়ৌহল্লনবা পাম্বে ওইনা দিষ্ট্রিক্ট শেম্মগী ৱাফম অসি লাকপনি হায়না লৌরবসু য়াই। অমরোমদা, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মণিপুরবু পুন্না উবা ঙমবদা অমসুং নাগাগী লম, মীতৌগী লম হায়দুনা তোখায় খায়দোনবগী মওং অদু মতমদুদা লৈঙাক্তা য়ানিংখিদে হায়বদু মীয়াম্না খঙনরকখি। মসিনা চীং অমসুং তম্মীশিংগী মরক্তা লাপথোক্নবা শিনবনি হায়না কন্নাগুম্বনা হায়বা তারগদি অরানবা ৱাফম ওইগনি। তশেংনা লাপথোকহল্লিবা অদুদি মণিপুরগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা, অপুনবা মণিপুরগী শক্তমবু ঙাইহাক লৈতনা শীংনরিবা কাঙবুননি হায়বা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ওক্রম ইবোবীগী লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী লৈঙাক থুপচিনম্বগী তুংদা মতম শাংনা কাংলা ইবোবীগী চৎমিন্নরম্বা নোংথোক্পা বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট লাকপ্পবা তুংদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু অমুক হন্দোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইদে। মমাংগী লৈঙাক্কা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেল্লম্বা অদুসু মীয়ামগী য়াইফননবনি, মীয়ামগী দিমান্দগী মতুংইন্না তৌরম্বনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তিগী নোনে দিষ্ট্রিক্ট খায়দোকখিবা মতমদা মীওই কয়া অমনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা জগোই শাখিবগী থৌদোকশিং লৈখি। হৌজিক অমুক য়ু এন সীনা য়াদ্রে, নাগাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা হান্নগীদা অমুক হঞ্জিল্লু হায়রে হায়দুনা গভর্ণমেন্টনা মমাং গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা চৎপা ঙম্বা হৌনদে। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক মণিপুর লৈঙাক, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ু এন সীগগী মরক্তা চথনরিবা ট্রাইপর্টাইট টোক অসিগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না লৌবা য়াই। মমাংগী ট্রাইপর্টাইট টোকতা য়ু এন সীনা চপ চাবা পাউখুম অমা মণিপুর লৈঙাক্তগী পীরক্লনবা এপ্রিল ১০ ফাওবা মতম থাখিবদু হৌখ্রবা ফাওবদা লৈঙাক্না পাউখুম পীবা ঙমদবগী মরম মসিনা ওইফম থোকই। খুম্বা ঙম্লোইদবা পাউখুম থৌবা হৌনদে। মদুগী মহুৎতা চাউখৎপা, নুংশিননা লৈমিন্নবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নসি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## পোলিটিক্স শান্নফম ওইরবা পোং লম্বী

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**জে এন হোস্পিটাল** হায়না খঙনরম্বদগী জেনিমস ওল্লকপদা নোংপোক মায়কৈ অমদি মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক হরাউনখি। অদুবু মায়কৈ সোমগী মীওইশিংনা খ্বাইরম্বন্দ বজার চৎপদা খ্বাইদগী হেন্না শম্বা লম্বেল অমা ওইরিবা লম্বী অসিদি মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা য়াম্না নুংশি হৈতনা মতম চুপ্পগী ওইনা থিংজিনবীখি। তোপ হায়রিবা খুল অসিদগী লম্বী অসি ফাওদুনা ইম্ফালগী বজার য়ৌনা গাড়ী মচা অমা তোংদুনা চৎপদা মিনিট ৬/৭ খক্তা চঙই। অদুগা পোরোম্পাৎ নৎত্রগা টিনসিদ রোদতা চৎলগনা মিনিট ১৫/১৬ চঙই। অসুক শমখ্রবা লমলেন অসি থিংজিনখিবদা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামশিং অসুক্কী মতিক নুংঙাইনখিদে। মালেম অসি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না খোঙনা চৎনরম্বদগী অয়াঙবা গাড়ী কয়া, রেল গাড়ী অমদি এরোপ্লেন তোংদুনা অরাপ্পা মফম কয়া মতম মাঙহন্দনা থুনা থৌনবা হোৎনরি। অদুবু চাওখৎলবা মতম অসিদা মায়কৈ অসোমগী মীয়ামদি হেন্না ৱানবা, হেন্না লাপথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্না শিনবীরি।

মমাঙগী টর্মদা কারম্বা খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এদা লম্বেল অসি ফাওনবা হায়জরুবদা ফজদবা ৱাঙাঙ কয়া ঙাঙলকই হায়দুনা খুরাই কেন্দ্রগী মীয়াম মরুওইনা পোং লম্বীগী নাক-য়েত্তা তারিবা মীওইশিং অসুক্কী মতিক ৱারৌখি। অদুবু মতম অদুদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা এল সুসিন্দ্রোনা মহাক্না ভোট কারবদি পোং লম্বী হাংদোক্কনি হায়দুনা মীয়াম মমাঙদা হায়বিখি। পোং লম্বীগী নাক-য়েত্তা লৈরিবা মীয়াম্না মহাকপু য়াম্না কন্না শৌগৎখি। লাইবক ফবনা মহাক ভোট কাখি। মহাক্লসু পোং লম্বী অসি কুমজা ২০১৭কী মে থাগী মনুংদা হাংদোক্কনি হায়না হায়বিখি। অদুবু খরা থেংনা সেপ্টেম্বর ২৪দা হাংদোকখি, মীয়াম হরাউনখি। অদুবু চৎলগা য়েংনরুবদদি মনীং মমাঙ গেট পান্দুনা থল্লগা খোঙ লম্বী অমখক ফাৎতুনা, সাইকল ফাওবা থৌবা য়াদবা অমা ওইরমখিবা অদুদা মীয়ামগী আশা কায়খি।

মফম অসিগী মীয়াম্না মথংগী কুমজা ২০২২দা তৌগদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা কনাগুম্বা কেন্দিদেট অমনা ঐনা ভোট কারবদি পোং লম্বী শোয়দনা হাংদোক্কনি, ঐঙোন্দা ভোট থাদবিয়ু হায়বা কেন্দিদেট অমা অমুক হন্না ঙাইখিগদ্রা নৎত্রগা হৌজিক কারিবা এল সুসিন্দ্রোনা হন্দকমুক্তংগা কাহনবীখো, হন্দক্তি শুংশোয় শোয়দনা হাংজরগে হায়বা ঙাইখিগদ্রা?

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অচৌবা হোস্পিটাল কয়াগী ময়ায়দা হায়রে নৎত্রগা অচৌবা লম্বী কয়া ফাওদুনা চৎলি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি। ঐখোয়গী পীকখ্রবা জেনিমস অসিদা লাই হাক্তকতগী জে এন/জেনিমস হায়বা অমা লৈত্রিঙৈদগী ফাওদুনা লাল্লবা লম্বেলনি হায়দুনা এম সী আইদগী অয়াবা লৌরগা মতম চুপ্পগী ওইনা হাংদোকপদা করিসু কায়রোই। লম্বেল অসি হাংদোল্লবদি লুপা ক্রোর কয়া ফংলনি হায়বা লৈরগদি মণিপুরগী এম এল এশিং দেল্লিদা কেস তৌদুনা লৈখিনি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে পোং লম্বী হান্নগুম্না মতম চুপ্পগী ওইনা হাংদোকপীয়ু। লম্বী অসিদা পোলিটিক্স শান্নফম ওইবসু মীয়াম্না পাল্লোই।

*অদোমগী - নিলকমল*
*টৌপ অৱাং লৈকায়, পোং রোদ*

# রিজার্ব ফোরেষ্টতা লম খোপচিনবা : অশোয়বা-অরানবসি গভর্ণমেন্টকীরা নৎত্রগা মীয়ামগীরা?

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**মী** য়ামখৎলকপদগী লম্বী য়াম্না চিনখৎলক্তুনা শগোলবন্দ লম্বীসু পাকথোকখি মীয়াম চৎপা নুংঙাইনবা। মীয়াম্না হেন্না খঙনরে মদুদি লম্বী পাকথোকপা হায়বসি লম লৌশিনবনি মীয়াম চৎনবা। অদুনদি শাংলবা শগোলবন্দ মায়কৈদা লম লৌশিনবা হায়বসি অতৈদগী নত্তে য়ূম শাদুনা মী লৈনরিবা ইঙ্খোলদু লৌশিনবনি মীয়ামগী চৎনবা লম্বী ওইনবা। লম্বী মশাং অসিদা লৈরিবা মীয়াম অসিদি মথায়-থায়না চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। শম্না হায়রবদা মপা-মপূ হাক্তক্তগী অশেংবা পাট্টা পায়দুনা লৈরক্লবনি। খাসলেন্দা নৎত্রগা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা চঙশিন্দুনা লৈশিনখিবা মীওইশিং নত্তে। মসিদা লম লৌশিনখিবদো ইমুং ১০/২০ খক্কী ৱা নত্তে। মসিদি ইমুং লিশীং অমা হেনবগী ৱানি। লমগী চুনবা মমল গভর্ণমেন্টনা পীরবসু থায়নদগী লৈজরক্লবা মীওই কয়া লৈফম লৈতবদগী মফম কয়াদা য়ূম হোংদোক্তুনা লৈনখি। শেল চঙনা, মতম চঙনা শাজরবা ফজরবা য়ূম কয়া থুদেকপীখিবনি মীয়ামগী লম্বী ওইনবা। মদু কনানা মথ্বায় নুংঙাইরমগনি? মসিদসু নত্তে পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা 'খোঙনাং হোগাইবি' হায়না খঙনবা মীয়াম্না খুরুম্নবা খোংনাং পাম্বীদুফাওবা শগোলবন্দ লম্বী পাকথোকপদা শোক্লবনি। মসিনসু লোইদ্রি মদুদি শগোলবন্দ সলাম লৈকায়দা লৈবা লাই হরাউবগী লাইশঙ অদুসু শরুক অহুম থোকপগী অনীদি লম্বী পাকথোকপদা শোক্লে। মসি পূম্নমকসি ওইদুনসু মণিপুরদা মশীং য়াম্বা মীতৈ ফুরুপসিনা গভর্ণমেন্টনা অতম্নন ফুরুপ অসিবু মুখৎনবা হোৎনরে হায়দুনা লৈবাক ঈরাং হৌখিদে, পাঙলশিংনা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা য়ূম শাদুনা লৈশিল্লুবদগী গভর্ণমেন্টনা তকথোক্লবা হোৎনরকপদা লৈবাক ঈরাং তৌগুম্না।

লম্বী পাকথোকপগী লম লৌশিনখিবদগী অৱাবা নংখিবসিদি শগোলবন্দ লম্বীখক্তা নত্তে য়ামখ্রে। উরিপোক্কী শাংলবা লম্বীগী নাক-য়েৎ অনীমক্তা থায়নদগী লৈজরক্লবা ইঙ্খোল কয়া লৌশিনখি, শেল চঙনা শাজবা য়ূম কয়া থুদেকখি। থাংমৈবন্দ, খুয়াথোং, চীংমৈরোং, ৱাংখৈ, য়াইস্কুল, মোইরাংখোম, শিংজমৈ, কৈশামথোং, কৈশাম্পাৎ, সেগা লম্বী, ক্বাকৈথেলনচিংবদা লম্বী পাকথোকপদা মীওই লিশীং কয়াগী মমল য়াম্লবা ইঙ্খোল লৌশিনখ্রে, য়ূম কয়া থুদেকখি। মোইরাংখোমদা লৈবা অথৌবা টিকেন্দ্রজিৎনা মরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা ওইদুনা য়াতাখিবা হিচম-য়াইচম-পাৎ ফাওবা লম্বী পাকথোকপগী লম লৌশিনবদা লম শরুক ফনা য়াম্না শেমখি। খন্দুনা য়েংবিয়ু মায়কৈ মরিদা লৈবা মীয়াম অদু লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইরিবনি। হায়রিবা লম্বী মপালগী লমশিং অদু খুঙ্গংগী অদুগুম্বা অহোংবা মখলগী লম নত্তে। মীয়াম্না চাওখৎপা মফমনি, নুংঙাইবা মমল য়াম্বা মফমনি হায়দুনা তান্নরিবনি। শম্না রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি খাসলেন্দগুম্বা মফম নত্তে। অদুবু অৱাবা তারবা য়ামখ্রবা মীয়াম অদুনা মণিপুরদা মাঙজিল থারি হায়না লৌনরিবা মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি মশামক্কী মরমদা মুখৎনবা হোৎনরে হায়দুনা লৈবাক ঈরাং হৌখিদে উরিপোক, থাংমৈবন্দ, কৈশামথোং, শিংজমৈ, ৱাংখৈ, য়াইস্কুলগী মীয়াম্না। মদু লৈবাক মীয়ামগীদমক খল্লগা য়ানীংদ-য়ানীংদা য়াখিবনি। মমল য়াম্লবা লমশিং অদু মী চৎনবা লম্বী ওইনা শীজিন্নবনি। য়ামখ্রবা মীতৈশিং অদুগী লমশিং অদুদা চৎকদৌরিবসিদি চীংমী, মীতৈ, পাঙল, ময়াং অসিনচিংবশিংনি। ইম্ফাল এয়রপোর্টনা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী থাক্তা ওনখৎলকপদা অকোয়বদা লৈবা মমল য়াম্লবা ইঙ্খোল কয়া অমদি মমল য়াম্লবা ফৌথোক লৈরবা লৌ পরি কয়া গভর্ণমেন্টনা লৌশিনখি। লৌ অমদি ইঙ্খোলশিং অদু থায়না মীওইশিং অদুগী মপা-মপূশিংনা থায়নদগী পাট্টা পায়দুনা লৈরক্লবনি। অদুবু থম্মোয়নদি য়ানীংদা য়াম্না নীংঙমদবা খোল্লাউ কয়া লাউজরবসু মমৈদা লম পীথোকখি। মশাগী পাট্টা পায়দুনা লৈজরবসু লমদি গভর্ণমেন্টকী মখূৎতা লৈবনি, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা শীজিন্নবগীদমক্তা হায়দুনা। মতমদুদা মণিপুরগী মীয়াম্না মীতৈশিং অতম্নন গভর্ণমেন্টনা মুখৎনবা হোৎনরে হায়দুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈশিংনা লৈবাক ঈরাং হৌখিদে। অদুবু রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা য়ূম তাশিল্লুবগী অমদি লৌবুক লৌশিন্নবা গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎলকপদা পাঙলশিংনা মখোয়দা অতম্ননা তৌই হায়বগী লৈবাক ঈরাং হৌই। মীয়াম্না অদুমক য়েংবিবা য়ারে খেন্নরিবসি।

মীয়াম্না হেন্না খঙনরে রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া করিনো হায়বদু। মরম অদুনা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা খুদাশিল্লুবা কাঙবুদুসু অদুম খঙলমগনি য়াদে হায়বদু। অমুক হন্না নীংশিংলবদা রিজার্ব পোরেষ্ট এরিয়া হায়বসিদা লম খোপচিন্দুনা য়ূম শাদুনা লৈরুবদি লায়রদুনা লৈবাক কোৎতুনা লৌবা অমদি মদুদা হৌবা উ, ৱা ফাওবা য়ানবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বা থবকশিং অসি তৌরবদি লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংনীংঙাই ওইরিবনি। মসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্তা চৎনরিবনি। সুপ্রিম কোর্টনসু রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াসি ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগী অকনবা য়াথং তাওথদুনা লৈরিবনি। গভর্ণমেন্ট মশামক্না মসিগী মনুংদা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক পায়খৎকে হায়রবসু অয়াবা লৌরিবনি। মরম চাদবদগী অয়াবা ফংদবসু কোঙ্গাইনি। মসিগী ফীভম অসিদা করিগী রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা লম খোপচিন্দুনা লৈশিল্লুরিবনো? অদুনদি লাল্লিবসি হায়বদি অরানবা থবক তৌরিবসি য়ূম শাদুনা লৈশিল্লুরিবা মীওই/মীওইশিং অদুনি। মখোয়না অহানবা লৈশিনবা মতমদা লন্নাই লূপ কয়াদা তাল্লম্বা লৈব্রা? তৌরিবা লোনা য়াদবা থবক্তু মতুংদা ফাগৎলক্তুনা চৈরাক ফংনীংঙাই ওই হায়বসি মশানা খঞ্জহৌগদবনি। লৈফম লৈতে হায়রগবু গভর্ণমেন্টকী রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা চঙশিন্দুনা লৈশিনবা য়াব্রা? রিজার্ব ফোরেষ্ট লম নৎত্রবদি অতৈ লৈবা য়াবা লম অমত্তা হেক লৈত্রবরা? লম য়াম্না লৈনা। শেল পুথোক্লগা লৈরগা হিংনবা লৈয়ুদনা। মসি তাইবঙপাল লোয়না তৌনরি। মদু নত্তদুনা শেলনা লৈবসু নত্তবা, শেলনা লৈবসু য়াদবা রিজার্ব ফোরেষ্ট লমদা থওইনা লৈশিনবসিগী মরম অমা শোয়দনা লৈরমগনি। ইশাগী লৈননবা ইঙ্খোল লৈবদা শেল তিংনীংদ্রবদি করম্না য়াগনি। কনানা লাক্লগা লৈবীগনি। গভর্ণমেন্টনা লেম্বা পীবিগদ্রা লৈনবা ইঙ্খোল মীয়ামদা? রিজার্ব ফোরেষ্টকী লমসি য়াম্না পাক চাউখ্রে অদুনা মচেৎ অমত্তং খোপচিল্লগা লৈরুগে। অসুক চাউখ্রবসিবু করিসু শীজিন্নদবা অরেম্বদা মাঙদুনা/তাদুনা লৈবসি কান্নবা নত্তে। মদুগী শরুক মীওই খরা লৈবদা মতেং য়াম্না ওইনগনি। মীওই খরা লৈবদা রিজার্ব ফোরোষ্টকী লম হেক্তা মাঙ তারুদবসু লৈতবদুবু হায়দুনা খনবদি ফজবা ৱাৎলি। চঙশিন্দুনা লৈরুগে তুমিন্না অপীকপা লম মচেৎ অমদা অহানবা ওইনা। লৈখ্রবা মতুংদা খরা খরা চাউথোরক্কে অসিরা? মীওই অমদগী অনী, অহুম, মরি, মঙা তপ্না-তপ্না খুদাশিনগে অসিনিনে? য়াদ্রগা তান্থোরক্লগনা তোক্লে য়ারগনা লৈগে অদুগা অচৌবা খুঙ্গং অমা ওন্থোক্কে, শাজিনগে লাইশঙ কয়া, রিজার্ব ফোরেষ্টকী লম মনুংদা রুলনা, লোনা য়াগে য়াও-য়ারোই তোকউ মসিরা। অরোইবদা লৈবাক ঈরাং তৌবা মশীং য়াম্বা কাঙলূপ্না য়েংথিবীরে, মশীং য়ামদবা কাঙলূপ্তা য়েংথিবিরে হায়দুনা।

লৈবাক ৱাথোক ওইনীংঙাই ওইবা থবকশিং অসি খরমখৈ মাঙজৌননা থিংহৌবদা মতেং ওইননবা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা দি সীশিংনা রিজার্ব ফোরেষ্টকী লমনি হায়বদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙনবা পাউচেশিংদা হাপ্পা কান্নগনি খল্লি। মদুগী নোটিশ অদুদা রিজার্ব ফোরেষ্টকী লমদা খোপচিল্লবদি ফংগদবা চৈরাক অদুসু য়াওহল্লবদি য়াম্না কান্নগনি। মসিগীসু মথক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থৌ পুবশিংনা মথৌ তৌবদা চঙগদবা মপোৎ মচৈনচিংবা পূম্নমক মতমগা চুনবা মওংদা ফংহনবা য়াম্না মথৌ তারে। মসিগীসু মথক্তা ফোরেষ্টকী ওফিসলশিংনা মরাল লৈবা মীওইশিং অচান-মিরাই নাইদনা চৈরাক ফংহন্নবা মথৌ তৌবা তাই। শম্না হায়রবদা শেঞ্জা থুমজা তৌদনা মথৌদা পূক্লিং চঙবা তাই। মখোয়দি উমং ঙাক শেন্দুনা থম্মু হায়বনিনা ঙাক শেনবগী মথৌ তৌবা তাই। য়াদবা মফমদা মী চঙশিল্লক্লগা য়ূম শাদুনা লৈশিল্লক্লবনিনা মশাগী ইঙ্খোল য়েংশিন্দ্রে, থাদোক্তুনা থল্লে অমদি ঙাক শেনবগী থবক তৌদ্রে হায়বা তাকপনি। অমরোমদা নিংথিনা উ থাজিন্দুনা ইশং-শংবা রিজার্ব ফোরেষ্ট অমগী মওং মতৌ অদু ওইহনবা ঙল্লবা অমদি ঙাক শেনবগী মথৌ তৌরবদি লম খোপচিনবগী থবক চথরক্লোই। মসিনা গভর্ণমেন্টতা টেক্স কয়া কাররুবগী লম্বী ওইরক্লনি। ফোরেষ্ট হায়বসি কাঙলোন চুম্না মথৌ তৌরবদি শেন্থোক লৈবা, টেক্স কারকপা ঙম্বা দিপার্টমেন্ট অমনি। রেভিন্যু অমদি সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংসু মশানা খঙনা পুকচেল শেংনা লমদমসিগী তুংগী মরাইবক করি ওইরকপা য়াবগে হায়বা খন্নরিবনা পাট্টা পীবগী থবকসি য়াম্না কূপ্না য়েংশিনহঞ্জনীংই। রিজার্ব ফোরেষ্টকী লম মনুংদা নমদুনা লৈশিল্লিবা মীওইশিংনা লমগী পাট্টা পায়রম্বা থোক্লবদি য়াম্না চাউনা শোয়বা, চৈরাক ফংনীংঙাই ওইবা থবক অমা নৎত্রা। মসিগুম্বা ময়াম অসিনা ঙসি ঐখোয়গী চারোল-শুরোলদা য়াম্না ৱাবা ফীভম অমদা থম্বীরমগদৌরিবনি। ইচা-ইশুশিং ৱাগদবা থবকপু তৌহৈব্রানে?

# লন্নাইগী চেঙ গোদাউনশিং কদাইদা মাঙনখ্রিবনো?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

**মণিপুরদা** হৌজিক-হৌজিক সুপরফাইন চেঙ ৱানগে ফংনদ্রি। থৌদৌসি মতম খরা খক লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংদগী চেঙ থাদোকপা লেপখিবদগী ওইরকপা ফীভমনি হায়বসি চুল্লবা ৱাফম অমনি। লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংনা করি মরমগীদমক চেঙ থাদোকপা লেপখ্রিবনো হায়বসিগী মরম তোঙান্না লৈরমগনি। মতম অমদা মণিপুরদা থোকচরম্বা মণিপুরগী চেঙশিংখক্তনা মণিপুর পূম্বগী মীয়ামগী পুক থাকপা কোন্নরম্মী। কোন্নবদগী হেন্দোক্তুনা লেম-পানা পুথোকপদগী মপান লমদা ফাওবা পুনখিরল্লিবনি। ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম, মপান লমদগী পুশিল্লকপা সুপরফাইন চেঙ য়াওদনা হিংবা ঙমদবগী ফীভম অমদা চপ-চানা লৈরে। মসিগী মরমশিং অসুক্কী মতিক য়াম্মী। মরু ওইনা মণিপুরদা, নোংম-নোংমগী চেঙ চাবীনবা মীগী মীশিংনা লেপ্পা লৈতনা হেঙ্গৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা, মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না লৈফম চন্নরক্তবনা মরম ওইরগা লৌ উনগদবা লৌফম কয়ামরুম লৈনবা য়ূম-ইঙ্খোলশিং ওন্থোক্লরকই। মসিগীসু মথক্তা, লৌ উনরম্বা মণিপুরগী লৌফম কয়ামরুম, নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা শেন্দান লম্বীশিংগীদমক মশীং থিঙমদবা বিজিনেস সেন্তরশিং ওইনা শীজিন্নরকই। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী লৌউ-শিংউবগী পোথোকশিং নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম হন্থরকই। ঙসিদি মণিপুর, তশেং-তশেংনমক হিংনবগী লানফমদা ইপুক পুজবা শুকঙম্মক ঙমদ্রবা, ইপুক থঞ্জনবগীদমক শুংশোয়-শোয়দনা মীপাল তাংদবা শুকয়ামক য়াদ্রবা লৈপাক অমা হায়বদু চপ চানা ওইরে।

মথক্কী ৱাফমসিনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংদগী মতম খরা খক চেঙ পীথোকপা লেপখিবসিদা, মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মরৱারি পূম্নমক্কী চেঙ গোদাউনশিংসু য়াওনা, মণিপুর পূম্বগী ওইবা মশীং থিঙমদ্রবা চেঙ দুকানশিং পূম্নমক্তা মথং-মথং থোঙ লোন্নখ্রিবসি মরম য়াম্না চানবা ৱাৎলি। মণিপুরদা নহানমখৈ লেম পানা সুপরফাইন চেঙ বেগ-বেগ য়োল্লম্লিবা মণিপুরগী দুকানশিং, মরুওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অচৌবা গোদাউনশিংগা লোয়ননা সুপরফাইন চেঙ বেগয়াম-বেগয়াম য়োল্লম্লিবা মণিপুরগী থাঙ্গাল কৈথেলগী মরৱারি দুকানশিং, মখোয় অমত্তনা ঙসি মণিপুরদা সুপরফাইন চেঙ অমত্তা য়োনবা ঙমখিদবা হায়বসি তশেংনমক ঙক্লিংঙাই ওই অমসুং অরুবা থৌদৌ অমসুনি। মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংনা চেঙ পীথোক-পীশিন তৌরিবা মখৈ হায়রিবা দুকানশিংসি নোংমতা কাংদনা থোঙ হাংবা অমসুং সুপর ফাইন চেঙ বেগ-বেগ অতৎ-অখম লৈতনা য়োনবা, করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংনা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী থোঙ হেক থিংখিবদা হায়রিবা দুকানশিংসিসু মথং-মথং থোঙ লোয়না থিংনখিবা হায়বসি অপঙ-অশিং খায়দনা চিংনবা খরদি পোক্লফম থোকই। ফীভমসি করম্না ওইরক্লিবনো হায়বসি য়াম্না মুন্না খন্নবগী মথৌ তাই। ৱাফমসি অরুবা ৱাফম অমনি। মীমাঙ থোক্লা ফোংনা খন্নবা ফাওবা চুমদবা ৱাফম অমনি। অদুবু ফীভমসি তশেংনা হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিং থোঙ লোনখিবগী মতাংসিদদি, অতাক-অফোংনরকপগুম উরি। মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী চেঙ য়োনবা মরৱারি দুকানশিংসি ঙসিসু অদুম্মক থোঙ হাংবা ঙম্ফম থোকপরা খল্লি। মখোয়গী গোদাউনশিংদা চেঙ লৈতবগী মরম করিনো? নহানমখৈ মখোয়না য়োন্নবা চেঙ লৌরম্বা দুকানশিং নৎত্রগা গোদাউনশিংদু মপান লমদগী ওইদবরা? ঙসিদি মখোয়গী চেঙ লৌফমশিংদু করি তৌখ্রবগে? মণিপুর লৈঙাক্না লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিং থোঙ হাংহন্দ্রিঙৈ চৈরক, মণিপুরদা সুপরফাইন চেঙ বেগ অমা ফাওবা মীত্তা উগে ফংনদ্রিঙৈ তাঞ্জাসি মণিপুরদা লন্নাই ওইনা চেঙ দুকান হাংলিবা দুকান্দারশিং অমদি মণিপুরগী থাঙ্গাল কৈথেলদা গোদাউন হাংদুনা চেঙ দুকান ফল্লিবা মরৱারিশিং, মখোয়গীদি মতোন থোকফম থোকপা নত্তবরা? মখোয়গীদি য়ারিবমখৈ তানফমসিদা মনীং তেকথোক্তুনা চেঙ য়োনহৌগদবা তাঞ্জা হায়বদু ওইফম থোকই। তাঞ্জাসিদা মণিপুরগী সুপরফাইন চেঙ য়োনবা দুকান ফম্বা কাঙবুশিংসিনা করিগীদমক খুরক হাংনা অমসুং তুমিন্না খূৎ তুংবুন্নদুনা লৈথোক্লিবনো? সুপরফাইন চেঙ ফংনদ্রিবসি শুপ্নগী মণিপুরদা খক্তনি। অতৈ সিলচর, দিমাপুরনচিংবা মফমশিংদদি সুপরফাইন চেঙ মরাং কায়না ফংনরি। ফংনদবা অমসুং মমল তাঙখৎপগী ঈ-পাউশিং অমত্তা লৈতে। মমাঙ চহীগুম্না লম্বী থিংবা অমসুং লম্বী ব্লোকেদনচিংবা তৌবগী থোইদোকপা ঈ-পাউশিংসু তাদে। ফীভমসিদা মণিপুরদা চেঙগী দুকানশিং হাংনরিবা লন্নাই দুকান্দারশিং অমদি গোদাউন ফাওবা চাউনা-চাউনা থম্নরিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী চেঙ ললোনবা মরৱারিশিং, মখোয় পূম্নমক্না করিগীদমক নহানমখৈ মখোয়না চেঙ লৌরম্বা মফমশিংদুদগী সুপরফাইন চেঙশিং লৌনরুদ্রিবনো অমসুং নহানমখৈ দুকান পীক-পীক থনবমখৈ সুপরফাইন চেঙ বেগশিং থমজিল্লগা খদাংগী কোই নান্দুনা শেন্দোং পারম্বশিংদু তোকথোক্তুনা করিগী তুমিন্না লৈথোক্লিবনো? হৌজিকসি তশেংনা মণিপুরদা সুপরফাইন চেঙ য়াম্না শিৎকদবা মতম অমা নত্তবরা?

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মণিপুরদা চেঙ ললোনবগী থবক তৌরিবা ইচিন-ইনাওশিং অমদি থাঙ্গাল কৈথেলগী ভাই-বন্ধুশিংসিনা ঙসিদি করিগুম্বা ফীভম অমত্তদসু, মণিপুরগী মপাল্লোমদগী সুপরফাইন চেঙশিং লৌরুদুনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খল্লগা লমদমসিদা চেঙ য়োনবা ঙমদ্রে। মসি ময়েক শেংলবা ৱাফমনি। হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী সুপরফাইন চেঙ ফংনদবগী সিনেরিওসিনা মসিগী মতিক চারবা খুদমনি। অদুগা করিগুম্বদা, ঙসিদগী নুমিৎ খরনিগী মতুংদা, মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিং পূম্নমক হান্নগুম্না অমুক হন্না হাংদোল্লকপা থোক্লবদি, হেক হাংদোল্লকপগা মথক্তা পনখ্রিবা মণিপুরগী চেঙ য়োনবা লন্নাই দুকানশিং অমদি গোদাউনশিং অসিসু অমুক্কা হেন্না হান্নগুম্না দুকান পীক-পীক থন্না সুপরফাইন চেঙশিং থমদুনা হাংলকপা থোক্লবদি, মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুরগী য়াম্লবা মীয়ামসিনা হায়রিবা লন্নাই চেঙ য়োনবা দুকানশিং অমদি গোদাউনশিংদুদা লৈরিবা চেঙশিংদু কদাইদগী লৌরুরগা য়োনবা চেঙনি হায়না খনগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুম ঐখোয় শেম শাদুনা লৈমিন্নসি। মণিপুরগী মীয়ামসু কা হেন্না ফমল্লি খল্লি। কা হেন্না ফমনবা হায়বসিসু করিগুম্বা তাঞ্জাদদি কা হেন্না পঙমনবা তারকপসু য়াওদবা নত্তে। অদুগা, মণিপুর লৈঙাক্কীসু মণিপুরগী পুকচাক ওইরিবা চেঙ-চাক্কী হীরমসিদা হিসাব চহী শাংনা তানমল্লি খল্লি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী চীংগী লমদমশিংগী মীয়াম্না চানবা চেঙ বেগনা কয়া, তমদা লৈবা তম্মীশিংনা চাহৌনবা চেঙ বেগনা কয়া, চহী চূপ্পদা নোংমত্তা হিসাব চেন্নে তারকত্রি। হিসাব হৈবা হায়বদুনি। হন্দক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ-চাক্কী হিসাবসু রিভাইস অমুক্তং তৌহন্নীংই। মণিপুরগী মীচম-মীয়াম পূম্নমকসু পুকচাকসিগী মরমদা ৱাখল খজিক্তং থাদমিন্নসি। অমুক্তং মুন্না খন্থমিন্নসি, লমদমসি পেন্নদবতনা মহুম ফারবা লৈপাকনি, নীংদোন পোম্নবতনা মশীঞ্জাং ওইরবা ইরমদমসিগী মীয়ামনি। শুপ্নগী মৈরিকপী মচা অমখক্তগী নোংমদি শোয়দনা মৈজাউবী ওল্লক্তুনা চাকখৎলকপা শোয়ররোই।



অচুম্বমক ওইরমগনি হায়বমক নৎত্রবসু, ফীভমসিদা মণিপুরগী ওইনা মরু ওইবা চেঙ য়োনফম ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী চেঙ গোদাউনশিংদা লৈরিবা চেঙশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কী চেঙ গোদাউনশিংদগী পুথোকখিবা চেঙশিংসিগা করম্বা মরী অমা লৈনরিবনো হায়বসি খঙনীংবা পোক্লকই। মণিপুরগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা চেঙ ললোল্লিবা মরৱারিশিংনা মণিপুর মীয়াম্না সুপরফাইন চেঙ ৱানগে ফংনদ্রবা মীৎকুপসিদা সুপরফাইন চেঙ য়োন্নীংলম্লোইদবগী মরমশিং লৈরমগদৌবা মান্দে। অদুবু তাঞ্জাসিদা মখোয়না চেঙ য়োনবদি তৌদ্রি। নহানমখৈ মখোয়না মণিপুরগী মপান লমদগী চেঙ পুশিল্লক্লগা মণিপুরদা য়োল্লম্বা তারবদি ঙসিসু, মণিপুরগী অসিগুম্বা লৈঙাক্কী গোদাউন লোনখিবগী মণিপুরদা সুপরফাইন চেঙ অমত্তা ফংনদ্রবা মতমসিদা মখোয়না হেন্না মণিপুরদা মপানলোমদগী সুপরফাইন চেঙ পুশিল্লক্লিংলমফম থোকপনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা পুশিল্লকপদি উদ্রি। হৌজিক মণিপুরদা য়াম্না পীকপা চাংদা সুপরফাইন চেঙশিং থংনবা ষ্টেটশিংদগী লন্নাই মীওই খরনা খুদক্কী ওইনা লৌনরুবগা য়োন্নবা থেংনরি। মমলগী ফীভমদি মহৌশাগী চাংদগী শরুক কয়ামরুম হেঙ্গৎলি। মমলগী ফীভমসি য়েংলগা, মণিপুরদা লন্নাই ওইনা চেঙ ললোল্লিবা কাঙবুশিংসিনা, নহানমখৈ য়োল্লম্বা মমলশিংগা হৌজিক্কী মমলগা করিগী অসুক য়াম্না খেন্নরিবনো, নহানমখৈনা কদাইদগী চেঙ লৌরম্বনো অমসুং হৌজিক্না কদাইদগী লৌরুরগা য়োনবনো শোয়দনা হংলক্কনি অমসুং ৱাথোক ওইরক্কনি খনবদগী মখোয়না মণিপুরগী ফীভমসি ফাওবদা মপাল্লোমদগী চেঙ লৌরুদবা মাল্লি। অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু হন্দক্কী মতাংসিদদি ঐখোয় লৈপাক মীয়াম চঙদুনা অচুম্বদু করিনো হায়বসি অমুক্তং খঙদোকমিন্ননবা পূন্না থিগৎমিন্নসি।